# শেম্বীবা মপুগী নিংথিজরবা য়ুম, সোরারেন



অইবা Edward Hughes
অয়কেপা Lazarus

হন্দোকপা মধুচন্দ্রা মোইরাংথেম
শমেদোকপা Sarah S.

ৱারী 60 গী 60

**M1914.org**

**Bible for Children, PO Box 3, Winnipeg MB  R3C 2G1  Canada**

অয়াবা পীবা: লাইরিক মচাকশিং অসি নিহাক্না নমথোকপা য়াই
অদুবু য়োন্দুনা শন্দোন লম্বী ওইনা শীজন্নিবা য়াদে।

যীশুনা তাইবংপান্দা লৈরিঙৈদা মহাক্কী তুংইনবশিংদা সোরারেনগী মরমদা ৱারী লীবিরম্মি। মদু মহাক্না "ঐগী ইপাগী য়ুম" হায়না কৌখি, অদুগা মফম অদুদা কা য়াম্না য়াওবা য়ুমজাউশিং লৈ হায়রম্মি। য়ুমজাউ অদু য়াম্না চাউই, য়াম্না ফজৈ। সোরারেন য়াম্না চাউই অমসুং



তাইবংপান্দা লৈরিবা য়ুমদগী ফজবা য়াম্না হেল্লি।

1

যীশুনা হায়, ঐ নখোয়গী দমক মফম থৌরাং তৌবা চৎলি। অদুগা ঐনা নখোয়গী মফম থৌরাং তৌবা চৎলবদি, ঐ অমুক লাক্তুনা নখোয়বু ঐগী নাক্তা লৈমিন্নবা তরাম্না লৌশিনগনি"। যীশু শিবদগী হিংগৎলবা মতুংদা সোরারেন্দা চৎখি। যীশুনা সোরারেন্দা চৎপা অমসুং লৈচীল মরক্তা চঙখিবা তুংইনবশিংনা উহৌই।



2

সোরারেনগী মরমদা বাইবলগী অরোইবা ৱাহৈদা অঙকপা পাউকৎ অমা পিরি।




19

"থৱায় অশেংবা অমসুং লুহোংবগী পীবারেন অদুনা হায়, 'লাকউ!' মসি হায়বা তাবা মীনা হায়সনু 'লাকউ'! অদুগা খৌরাংবা মী অদুনা লাকসনু। অমসুং অপাম্বা লৈবা মী খুদিংনা, লাক্তুনা হিংবগী ঈশিং অদু মমল পিদনা লৌজসনু।"




20

শেম্বীবা মপুগী নিংথিজরবা য়ুম, সোরারেন

শেম্বীবা মপুগী ৱাহৈ, বাইবলদা য়াওবা ৱারী

অসিদা ফঙই

যোহান 14; 2 কোরিন্থীয় 5;
ফোংদোকপিবা 4, 21, 22

"নহাক্কী ৱাহৈ চঙলকপদা মঙাল ফঙই।"
ঈশৈ লাইরিক 119:130

শেম্বীবা মপুনা অয়োন-অরান হায়না কৌবা ফত্তবা থবকশিং ঐখোয়না তৌরে হায়বা ইবুংঙো মহাক্না খঙই। অয়োন-অরানগী অতৌমলদি শিবনি।

শেম্বীবা মপুনা ঐখোয়বু অসুক্কী মতিক নুংশিবী মরম অদুনা মহাক্কী অমতা ঙাইজবা মচানিপা যীশুবু ঐখোয়গী অয়োন-অরানগী মমল পিনবা উ-কারোং মথক্তা শিবিনবা থাবিরে। যীশু অমুক শিবদগী হিংগৎতুনা সোরারেন্দা কাখি। হৌজিক শেম্বীবা মপুনা ঐখোয়গী অয়োন-অরানশিং কোকপিবা ঙম্মি।

নঙনা অয়োন-অরানগী লম্বীদগী হল্লকপা পাম্লবদি, অসুম্না শেম্বীবা মপুদা হায়জৌ: নুংশিরবা যীশু, ঐনা থাজৈ মদুদি যীশুনা ঐগী দমক শিবি অমসুং শিবদগী হিংগৎখি। নহাক্কী নচা অমা ওইনা হিংবা ঙম্নবা ঐগী ইতেং পাংবিয়ু। অমেন। যোহান 3:16

নুমিৎ খুদিং বাইবল পাও অমসুং শেম্বীবা মপুদা হায়জৌ।

Manipuri Bengali Mayek

মতম অদুদগী, খৃস্ত্যানশিংনা যীশু অমুক মখোয়বু লৌবা লাক্কনি হায়না ৱাশকলম্বা অদু নিঙশিংদুনা লৈ। যীশুনা হায়রম্মি, খঙহৌদনা থাজদবা মতমদা মহাক শোইদনা লাক্কনি হায়না যীশুনা হায়রম্মি। অদুবু যীশু লাকত্রিঙৈদা শিখিবা খৃস্ত্যানশিং করি ওইগনি? বাইবলনা হায়, মখোয় যীশুগা হকথেংননা লৈমিন্নরুগনি। হকচাংদগী তোঙানবা হায়বসি শেম্বীবা মপুগা লোইননা লৈমিন্নবা হায়বনি।




3

বাইবলগী অরোইবা লাইরিক ফোংদোকপিবদা সোরারেনগী মরমদা মরিক চুন্না তাকই। খ্বাইদগী ঙকপা অমসুং মরু ওইবা ৱাফমদি, সোরারেন অসি শেম্বীবা মপুগী যুমনি। শেম্বীবা মপুদি মফম খুদিংদা লৈ অদুবু মহাক্কী ফম্বালদি সোরারেন্দা লৈ।



4

সোরারেনগী মনাইশিং অমসুং সোরারেন্দা লৈবশিংনা শেম্বীবা মপু খুরুম্মি। মদুগা মান্ননা শেম্বীবা মপুগী শিখ্রবা সোরারেন্দা কাখ্রবা মীশিংসু খুরুম্মি। মখোয়না শেম্বীবা মপুদা ফজরবা থাগৎ ঈশৈ শকই। মখোয়না শকলিবা ঈশৈ অমগী ময়েক্লা অসুন্না হায়:



5

**নহাক্তি মতিক চাবা শেম্বীবা মপুনি, ফুরুপ অমসুং লৈবাক খুদিংদগী ঐখোয়বু নহাক্কী মমল য়াম্লবা ঈ অদুনা শেম্বীবা মপুগী মফমদা হন্দোকপিরে অমসুং ঐখোয়বু শেম্বীবা মপুগী মাংদা নিংথৌ অমসুং অমাইবশিং ওইহনবিরে।**
(ফোং.5:9)



6

বাইবলগী অরোইবা লমায়দা সোরারেনবু "অনৌবা য়েরুসালেম" ওইনা শুগাইনা তাকই। মদু য়াম্না চাউই, অৱাংবা চেকপলনা কোইশিল্লি। চেকপল অদু মমল য়াম্লবা তম্ফা অশংবা নুংনা শাই অদুগা ময়েক শেংনা উই।



7

চেকপলগী লৈখোঙশিং অদু মমল য়াম্লবা নুং মখল কয়ানা লৈতেংই, ফজরবা মচুনা মৈরিককুম ইরং লংই। অচৌবা খুনজাউ অদুগী থোঙগাল খুদিংমক মমল য়াম্লবা অচৌবা নুংনা শাই!



8

মমল য়াম্লবা অচৌবা নুংনা শাবা থোঙগালশিং অদু মতম চুপ্পদা হাংদুনা লৈ। মনুংদা চঙদুনা য়েংসি... ৱাৱ! সোরারেন অসিদি মনুংদা হেন্না ফজে। অচৌবা খুনজাউ অসি অশেংবা সানানা, অরংবা মিংশেলগা মান্নে। লম্বী ফাওবা সানানা শেমলম্মি।



9

য়াম্না ফজরবা, অরুবা হিংবগী ঈশিং তুরেল শেম্বীবা মপুগী ফম্বালদগী চেল্লি। তুরেল অদুগী অতোপ্পা নাকন্দা এদেনগী লৈকোন্দা অহানবা লৈরম্বা অহিংবা উ-পাম্বী হৌই। উ-পাম্বী অসি য়াম্না মরু ওই। মসিদা থা খুদিংগী তোঙান-তোঙানবা উহৈ পাল্লি। অমসুং অহিংবা উ-পাম্বী অসিগী মনানা লৈবাকশিংগী অনাবা ফহল্লি।



10

সোরারেন্দা নুমিৎ নত্রগা থাগী মঙাল মথৌ তাদে। শেম্বীবা মপুগী অঙকপা মতিক মঙালনা ঙান্দুনা লৈ। মফম অদুদা অহিং হায়বা লৈতে।



11

সোরারেন্দা শা-ষন ফাওবা তোঙাল্লি। মখোয় মবুক তপ্পী অমসুং তীন্নবা য়াই। কৈশাল অমসুং য়াউশিং পুন্না চাকতামিন্নৈ। মপাঙ্গল কল্লবা নোংশা ফাওবা শনাও মচাগুম চরু চাই। ইপুরোইনা হায়, "ঐগী অশেংবা চিঙজাউ মথক্তা মখোয় অশোক-অপন লৈরোই নত্রগা মাঙ-তাকহনবা ঙম্লোই"।



12

ঐখোয়না কোইনা য়েংবদা, সোরারেন্দা লৈতবা পোৎশিং ঐখোয়না উবা ঙম্মি। অশাউবা ৱা তাবা ফঙদে। খৎনা-চৈনবা অমতা লৈতে নত্রগা মশাগী ওইজবা থিবা লৈতে।
থোঙ শো পান্দে,
মরমদি
সোরারেন্দা
হুরানবা
লৈতে।



13

মচিন থিবা মী লৈতে, মীহাৎপা, পোৎশেম শানবা, নত্রগা ফত্তবা মী অমতা লৈতে। সোরারেন্দা অয়োন-অরান মখল অমতা লৈতে।



14



সোরারেন্দা শেম্বীবা মপুগা লোইননা লৈবা মতমদা মিৎতগী পি তাবা লৈররোই। করিগুম্বা মতমদা, তাইবংপানবগী অৱাবনা মরম ওইদুনা শেম্বীবা মপুগী মীশিং কপ্পি। সোরারেন্দা, শেম্বীবা মপুনা ঐখোয়গী মিৎকী পি তৈথোকপিগনি।

15

সোরারেন্দা শিবা নাইদে। শেম্বীবা মপুগী মীশিং ইপুরোইগা লোইননা মতম চুপ্পা লৈমিন্নগনি। অৱাবা, মীকপ-মীরাউখোন, হকচাং নাবা অমতা লৈরোই। হকচাং নাবগী অৱাবা, খাইনবা, শিবগী পোৎলোইবা অমতা লৈরোই।
মী খুদিংমক সোরারেন্দা
শেম্বীবা মপুগা লোইননা
মতম পুন্নমক্তা
নুংঙাইনা লৈ।



16

খ্বাইদগী ফবা, সোরারেন অসি যীশু খৃষ্টবু কনবিবা মপু অমা ওইনা থাজবা অমসুং মহাক্কী হায়বা ইনবা নিপামচাশিং অমসুং নুপীমচাশিংগীনি (অহল ওইরবা মীশিংগীসুনি)।




17

সোরারেন্দা য়াউ মচাগী হিংবগী লাইরিক হায়না কৌবা লাইরিক অমা লৈ। মসিদা মীগী মমিং পিক থন্না ইদুনা লৈ। মদুদা কনাগী মিং ইদুনা লৈ হায়বা নঙ খঙব্রা? যীশুদা থাজবা থমবা মী পুন্নমক্কী মমিংনি।

নহাক্কী নমিং
মদুদা য়াওরব্রা?




18